ইমা লৈবাকসিদা তৌনিংবদা তৌবা লৈঙাক লৈরকপনা খাঙবদা অৱাবা অমা ওইরে ঃ সুনিতা কেজ্রিৱাল

ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) : ইন্দিয়ান নেসনেল দিভলপমেন্টেল ইনক্লুসিভ এলাইন্স (আই এন দি আই এ) ব্লোকনা শিন্দুনা ঙসি দেল্লিদা পাঙথোকখিবা লোকতন্ত্র বচাও রেল্লিদা দেল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী লোয়নবী সুনিতা কেজ্রিৱালনা ইমা লৈবাক অসিদা তৌনিংবদা তৌবা দিক্টেটরশিপ মানবা লৈঙাক্কা মতম কুইনা মীয়াম্বু নমহৎতুনা পাল্লক্লিবা অসিদা মীয়াম খাঙবা ঙম্নবগী পাঙ্গল লৈরক্লে হায়না ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না রেল্লি অদুদা শরুক য়ারদুনা মীয়ামদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ই দি) গী কষ্টদিদা লৈরিবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ইরকপা মেসেজ অমসু পাথোক্তুনা মীয়াম তাহনখি। আই এন দি আই এ ব্লোককী লুচিংবা কয়ানা রামলীলা মাইদানদা পুন্দুনা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি।

সুনিতানা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা করিগুম্বা আই এন দি আই এ ব্লোকনা লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা মায় পাক্তুনা পৱার পায়বা ঙম্লবদি দেল্লি অসি য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী মহুৎতা ষ্টেট ওন্থোক্লগনি অমসুং হৌখিবা চহী ৭৫ অসিদা দেল্লিদা লৈরিবা মীয়াম্না থেংনরকখিবা ইনজষ্টিস অদুসু মরু ফংনা মুত্থৎনবা হোৎনগনি হায়খি।

শিব সেনা (য়ু বি টি) গী লুচিংবা উধব থাক্রে, সমাজৱাদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট অখিলেস যাদব, সি পি আই (এম) গী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরি, সি পি আই গী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজা, ঝরখণ্ডগী চিফ মিনিষ্টর চম্পাই সোরেন নচিংবসু রাম লীলা মাইদান তম্না চংশিল্লক্তুনা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি।

কেজ্রিৱালগী লোয়নবী সুনিতাসু ওপোজিসন লুচিংবা কয়া অসিগী মরক্তা লেপ্তুনা আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল ই দিনা দেল্লিগী এক্সাইজ পোলিসি কেস অমগা মরী লৈননা ফাখিবা অদুগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাউখি।

মহাক্না আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ইরকপা মেসেজ অদু পাথোক্লদুনা লৈবাক অসিদা দেমোক্রেসি অমুক মপুং ফানা চৎনহনগে হায়রবদি আই এন দি আই এ ব্লোকপু মীয়াম্না লাক্লিবা মীখল অসিদা শৌগৎপীয়ু। ঐহাক্কী মপুরোইবনা লমদম অসিদা অফবা হোস্পিটাল অমসুং এদুকেসন পুরক্নবা পান্দম থল্লি। আই এন দি আই এ ব্লোক খক্তনা য়াইফরবা লৈবাক শেম্বা ঙমগনি হায়খি।

চাইনিজ মাইগ্রেনগী অশিবা হকচাং ৮ ফংখ্রে

মেক্সিকো সিটি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা তম্না চংশিল্লক্কে হোৎনরম্বা চাইনিজ মাইগ্রেন্টশিং তোংখিবা হী অমা খা থংবা মেক্সিকোগী শরুক্তা লৈবা সমুদ্রগী ইরোলনুংদা লাকশিনখিবদগী মাইগ্রেন্ট ৮ গী অশিবা হকচাং থেংনবা ঙমখ্রে। হী অদুদা নুপী ৭ অমসুং নুপা অমা তোংখিবনি। মেক্সিকো মচা অমনা হী অদু থৌদুনা শগোলশেল নুমিৎতা মেক্সিকোগী তাপাচুলা থাদোক্তুনা য়ু এস কী বোর্দর তম্না চৎখিবনি হায়রি। মালেমগী লৈবাক কয়াদগী ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা মেক্সিকোদগী য়ু এস তা চংনবা হোৎনরি। মখোয়গী মরক্তা চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং উজবেকিষ্টানদগী মীওই কয়া য়াওরি।

কৎচাথীবু আইলেন্দ পীথোকখিবা কোংগ্রেসপু ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা থাজবা য়াদে ঃ মোদি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সোসিয়েল মীদিয়া প্লেটফোর্ম এক্সতা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা কৎচাথীবু আইলেন্দ অসি কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈদা শ্রীলঙ্কাদা পীথোক্লম্বনি হায়না মরাল শিরদুনা ইন্দিরা গান্ধীগী লৈঙাক লৈরিঙৈদগী হৌনা কোংগ্রেসনা তৌরম্বা থৌওং কয়ানা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু পুনশিনবা য়াদবা অমসুং অমগা অমগা য়েংথিনহন্দুনা মচোই মচোই তাহল্লম্বনি হায়না ফোংদোরক্লি।

কুমজা ১৯৭৪ দা ইন্দিরা গান্ধীগী লৈঙাক লৈরিঙৈদা করিসু খন্থবা তৌদনা মখোয়না আইলেন্দ অসি পীথোক্লম্বনি। লৈবাক অসিগী মীয়াম তান্নরমদনা তৌনিংবদা তৌবা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক অসিদা ঙসিসু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অশাওবা থল্লি। লৈবাক অসিবু মচোই মচোই তানবা থবক তৌরম্বা পার্টি অসিদা ঐখোয়না করিগীদমক অমুক হন্না থাজবা থমগদৌরিবনো হায়খি।

কৎচাথীবু আইলেন্দ অসি রামেশ্বরম অমসুং শ্রীলঙ্কা অনীগী মরক্তা লৈবা ইথৎ অমনি। শ্রীলঙ্কাগী ওইদ্রিঙৈ মমাংদা মফম অসি ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কাগী ঙামীশিংনা পুন্না শীজিন্নরম্বা মফম অমনি অদুবু ইণ্ডো-শ্রীলঙ্কান মেরিটাইম এগ্রিমেন্ট ১৯৭৪ গী মতুং ইন্না ইন্দিরা গান্ধী লৈঙাক্না আইলেন্দ অসি শ্রীলঙ্কাগী সোভরেন্টি মখাদা লৈরে হায়বা ৱাফমদা য়াখিবনি।

পি এম মোদিনা মহাক্কী পোষ্ট অদুদা লৈবাক অসিবু পোলিটিকেল ইন্টরেষ্টকী মীংদা শরুক ৩ থোক্না কোংগ্রেসনা খায়দোকই হায়নসু মরাল শিখি।

[illegible]

[illegible]

কম্বোদিয়াদা থবক পীগনি হায়না কৌরগা সাইবর স্লেবরি ওইহন্দুনা থম্লম্বা ইন্দিয়া মচা ২৫০ কনবা ঙমখ্রে ঃ এম ই এ

ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) : লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যারসকা কম্বোদিয়াগী ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নরগা চথখিবা ওপরেসন অমদা কম্বোদিয়াদা থবক পীগনি হায়না কৌরগা ইন্দিয়া মচা কয়া সাইবর ফ্রোদতা মশাগী অপাম্বগী মায়োক্তা শিজিন্নদুনা থম্লম্বা মীওই ২৫০ কনবা ঙম্লে হায়না মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

কম্বোদিয়া লৈঙাক্তা ইন্দিয়া মচা ৫,০০০ হেন্না মশাগী অপাম্বগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা থবক তৌহন্দুনা লৈরি। মসিগী মনুংদা অয়াম্বদি সাইবর ফ্রোদতা শিজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী মীওই কয়াদগী স্কেম তৌদুনা পৈশা লৌথোকহল্লি হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুদা সাইবর ফ্রোদকী খুত্থাংদা ইন্দিয়াগী মীওইশিংদগী লুপা ক্রোর ৫০০ হেন্না হৌখিবা থা ৬ অসিদা লৌথোকখিবা থেংনখি। কম্বোদিয়াদা থবক ফংগনি খন্দুনা চৎখিবা ইন্দিয়া মচা কয়ানা মখোয়না খল্লুবগী ওন্ন-তৈনবদা অসিগুম্বা থৌওং কয়া মশাগী অপাম্বগী মায়োক্তা তৌহল্লে হায়না লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইন্দিয়ান এম্বেসিদা তোয়না কমপ্লেন থাঙ্গৎলকখি।

লৈবাক অনীনা পুন্না চথখিবা রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা ইন্দিয়া মচা ২৫০ কনবা ঙমখিবনি। মসিগী মনুংদা ৭৫ অমদি হৌখিবা থা ৩ অসিদা কনখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন রনধির জয়সৱালনা ফোংদোকখি।

মহাক্না মখা তানা লৈবাক অসিদা থবক ফংগনি হায়না চৎপা মতমদা মীয়াম্না চেকশিন্নবা অমদি এদভাইজরিগী ৱা হান্না তানবসু আপিল তৌখি।

কম্বোদিয়ান ওথোরিটিগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক রেস্ক্যু তৌবা ঙমদ্রিবা ইন্দিয়া মচাশিং অদুবুসু অথুবা মতমদা ওপরেসন চথদুনা কন্নবা হোৎনরগনি। অসিগুম্বা নমথাক তৌদুনা মীয়ামদগী শেল লৌথোকপা থৌওং অসি ইন্দিয়া মচাশিং অসিদা নমদুনা তৌহনবনি। মখোয়না তৌনিংনা তৌবা নত্তে হায়নসু ফোংদোকখি।

[illegible]

[illegible]

চাইনানা টিবেট লৌশিনখিবগী ৬৫ শুবা মপোক কুমওন বোর্দর এরিয়াদা পাঙথোকখ্রে

টিবেট, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) : চাইনানা ঝিজাং হায়না খঙনবা অতোপ্পা লৈবাকশিংনদি টিবেট কৌরিবা মফম অসি কুমজা ১৯৫১ দা দলাইলামা ইন্দিয়াদা চেল্লকখ্রবা মতুংদা চাইনানা চহী অদুগী মার্চ ২৮ দা খুদুম চনবা ঙমখিবা অদুবু নিংশিংবা ওইনা দেমোক্রেটিক রিফোর্ম দে ইন দি হিমালায়ন রিজন হায়না মীংথোল্লদুনা ৬৫ রক শুবা মপোক কুমওন ভুটান, ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈরিবা বোর্দর এরিয়াশিংদা নৌনা শাবা খুঙ্গং কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা এনিভর্সরি তাখিবনা মরম ওইরগা চাইনা লৈঙাক্না চয়েৎনবা লৈবা বোর্দর এরিয়াশিংদা নৌনা শাবা খুঙ্গং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া অসিদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা শিন্দুনা হরাও কুম্মৈগী থৌওং কয়া পাঙথোক্লখি। অদুবু চাইনাগা থংননা লৈরিবা ভুটান অমসুং ইন্দিয়ানদি বোর্দর এরিয়াদা নৌনা খুঙ্গং কয়া তাশিল্লকপনা চাইনিজ মিলিটরি হেন্না থমজিল্লক্নবা মচাক ওইরগনি চিংনবা পোক্লে হায়রি।

চাইনানা হৌজিক ফাওবদা বোর্দর এরিয়াদা খুঙ্গং ৬২৪ শাবা লোয়শিনখ্রে। খুঙ্গংশিং অসিনা চাইনাগী বোর্দর এরিয়াশিং চাউখৎলকপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। লোয়ননা বোর্দর এরিয়াদা ফোর-জি সিগনেল ফংহনবা অমসুং মফমসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী পুন্সিগী মহাও হেনগৎহনবা ঙম্লগনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা, ঝিজাং ওটোনোমস রিজনগী দিপুটি সেক্রেটরি য়ান জিনহায়না ফোংদোরক্লি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, KAKCHING DISTRICT

[illegible] / NOTICE FOR OBJECTION

Kakching, the 27th March, 2024

No. Pro/SR/Kak/2023-24: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from Santosh, Secretary of the **"Kakching Christian Youth Association", Kakching Baptist Church Machin Manao Ching,** Kakching District, Manipur on 27/2/2024 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules 2004 within the area of operation of **Machin Manao Ching,** Kakching District, Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or Secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed **"Kakching Christian Youth Association"** within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed **"Kakching Christian Youth Association",Kakching Baptist Church Machin Manao Ching,** Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1)(2) of SR Act 1989 and Rule 6 of MSR Rules 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above-mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- K. Dilipkumar Singh
Deputy Registrar of Societies,
Kakching District

HL-P/10301/31&1 Apl.

[illegible] / ইংখোল অমা য়োঞ্জরি

Sagolband Moirang Hanuba Lai Leirak তা লৈবা অপুনবা Area না .02378 Hectare নি, পাম্বীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/10318/1 Apr. **Contact. No. 9365273100**

[illegible] / মীটিং পাঙথোকখ্রে

লংথবাল কুঞ্জগী খুল অহুমগী ওইবা লংথবাল কুঞ্জ সেনিয়র সিটিজেন্স এসোসিয়েসন কৌবা লূপ অমা শেম্বগা লোয়ননা Regd. No. 1843/ SR/IW/2023. Dt. 6th Dec. 2023 ফংবগা লোয়ননা অহানবা মীফম অমা লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায়গী "ইবুধৌ পাখংবা কম্যুনিটি হোল" দা য়াম্না চীং-লেম্না পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা লূপ অসিগী V.P. ওইবীরিবা লাইশ্রম জয় সিংহনা ময়ায় তাংবল লৌবীখি।

Sd/- Gen. Secy.
Keisham Raghumani
Langthabal Kunja Sr. Citizens' Assn.

HL-P/10312/1 Aprl.

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref :- Mutation Case No. 88/SDC/IW(N) Sekmai of 2024

Kshetrimayum Ajit Singh, S/o (L) Kshetrimayum Shyamkeshor Singh of Awang Leikinthabi Makha Leikai ... Petitioner

- Vs -

(Late) Kshetrimayum Shyamkeshor Singh, S/o Bheigo Singh of Awang Leikinthabi ... Pettadar

[illegible] / NOTICE

Sekmai, the 30/3/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 28-Leikinthabi, Under Patta No. 59 (Old) 159 (New) Covered by C.S. Dag No. 1118 গী area .1275 acre চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবীরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চৎথজগ্রগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai

HL-P/10317/01 Apr.

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL

Ref: Mutation case No. : 32/SDC/I.W. (S) of 2024

Elangbam Sharmila Devi, W/o (L) Irengbam Modhuchandra Singh of Pishum-thong Oinam Leikai

- Vrs -

(Late) Irengbam Modhuchandra Singh, S/o (L) I. Nilamani Singh of Pishum Oinam Leikai

[illegible] / NOTICE

Mayang Imphal, the 19-03-2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 459 (New) Dag No. 168 গী area 2.44 acre চাউবা Taothabi ক্লাস, Village No. 116-Shamushang অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া 2.44 একর অসি petitioner ঐহাক্কী মীংদা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/ IW (S) Mayang Imphal গী Court তা application থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা অইবা চেদা Complain ওইনা য়েৎপিরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি Case মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/10322/01 Apr.

[illegible] / LOST

I have lost my Marksheet of M.A. 4th Semester bearing Roll No. 1259048 of 2014 and B.A 3rd year Roll No. 040482 of 2012 issued by Manipur University, Council of Higher Secondary Marksheet bearing Roll No. 4810 of 2009 and Certificate for High School Leaving Certificate bearing Roll No. 18134 of 2007 on the way between Kangabam Leikai and Kangla Sangomsang on 28th March 2024.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Ngangbam Ideal
7005606927

HL-P/10320/1 Apr.

[illegible] / LOST

I have lost my Original Certificate of Class XII Examination 2011 issued by Council of Higher Secondary Education Manipur bearing Roll No. 21509 of 2011 on the way between my residence and Bazar on 28th March 2024.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Oinam Surjabala Devi
9863031863

HL-P/10323/1 Apr.

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 156/SDC/YPK/ 2024 **Date. 28/03/2024**

Parties :- Mohd. Safinur, S/o Mohd. Nashupali of Wangkhem Muslim - Petitioner

- Vs -

Co-Pattadar : No. 1 (Late) Turap Ali Miya, S/o (L) Rahimuddin Miya of Wangkhem - O.PP:

[illegible] / NOTICE

Date 28/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না, শিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১০২-বিষ্ণুনহা পাটা নং ৩৭২ অরিবা ৪৪৮ অনৌবা দাগ নং ১৪৮৬ & ১৪৮৭ গী খাদা .২৬০০ হে: চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী Co-pattadar No. 1 (one) তুরাব অলি মিয়া পীং মৃ: রহিমুদ্দিন মিয়া সাং ৱাংখেমদা লৈবীরম্বা অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner গী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা-কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Yairipok

HL-P/10321/01 Apr.

[illegible]

NEW ERA KEINA GIRL'S HOSTEL
OPPOSITE IMPHAL COLLEGE GATE, KWAKEITHEL NINGTHEMKOL LANE 2
ADMISSION AND COUNSELLING OPEN 2024
FOR CLASS XII SC (COHSEM)

SPECIAL FEATURES :
i) Tutorial classes inside hostel only by well trained, qualified and dedicated teachers currently serving in most reputed schools in the city.
ii) Van services from hostel.
iii) Extra Classes for weak students.
iv) Printed study materials.
v) Strict rules & regulations.
vi) Traditional nutritious, hygienic and delicious fooding menu on rotational basis.

SESSION STARTS FROM 4TH APRIL, 2024

40 Seats only
CONTACT : 9366407996, 9366299374, 9383218404

HL-P/9986/16/3-4/4

[illegible]

ADVANCED COACHING INSTITUTE
NEET & JEE FOUNDATION

CONCESSION : 1. ACIANS/Former 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position holders in class x & xii 5. 90% above 6. Freeship for position holders 7. 85% and above P.C.B of xii of 23 7. freeship for meritorious students NEET 22/23 (430 & above / 350 and above for sc & ST)

TEST SERIES: # 32 SUNDAY TEST SERIES # 20 TIMES UNIT TEST SERIES # 5 TIMES WHOLE UNIT TEST SERIES 4 . STATE LABEL MOCK TEST

LATEST QUESTION SET & STUDY MATERIALS FROM KOTA & ALLEN

PRIZES FOR TEST : 1st Rs 20,000 2nd Rs. 15,000 3rd Rs.10,000

COURSES : 2 yrs(xi class) , One year integrated course(Class xii) & 7 months (xii passed out) and only test series

FACULTY: More than 15Yrs Experienced faculties Including IITs

Faciliteis : Van service, separate boys /girl hostel with wifi, separate weaker Student's class, extra dought session , provided study material.

For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105

HL-P/10156/21 Mar to 21 Apr.)